

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SUNDAY, MARCH 18, 2018 PAGE 7


*ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোই হুৱাং য়ুজিয়াংগী মখূত্তা অকনবা লম্বা তৌনরগা গেম ১–২ দা মায়থিহৌরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই*

*বিএনপি পরিবাস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ুএসএগী সাম ক্বেরিবু ৭–৫, ২–৬, ৬–৩ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা কানাদাগী মিলোস রাউনিক*

## চেন্নাইন এফসিনা বেঙ্গালুরু এফসিবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ গী টাইটল লৌখ্রে



*ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ সিজনগী টাইটল লৌখ্রবা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফি লৌবা*

*বেঙ্গালুরু, মার্চ ১৭ঃ*

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ক্লবশিংগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আইএসএল) গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা চেন্নাইন এফসিনা বেঙ্গালুরু এফসিবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীরকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি টাইটল লৌখিবা চেন্নাইন এফসিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা এফসি গোৱাবু পাঞ্জল ৩–০ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা বেঙ্গালুরু এফসিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা এফসি পুনে সিটিবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইরমখি।

বেঙ্গালুরুনা য়ুম্বু ওইরগা মফম অদুগী ষ্টেদিয়ম শ্রী কান্টিরভা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা এফসি অমসুং চেন্নাইন এফসিগা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদু হৌরকপদা য়ুম্বু বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই কেপ্টেনসু ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা চেন্নাইন এফসিবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা চেন্নাইন এফসিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা বেঙ্গালুরুগী মায়োক্তগা এটেক চথবা হৌরকখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা মখোয়গী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মাইলসননা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্ননবা হোৎনদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক তৌবা হৌরকখি। মতম খরা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মাইলসননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা য়ুম্বু ওইখিবা বেঙ্গালুরু এফসিবু ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং কনশিল্লকখি। অমরোমদা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা বেঙ্গালুরু এফসিগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিল্লক্তনবা হোৎনদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা রাফেল ওগষ্টোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বেঙ্গালুরু এফসিবু ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা শান্নরকপদা টিম অদুগী শান্নরোই অনী লেন্নি রোদ্রিগেজ অমসুং টিম অদুগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি য়েল্লো কার্দ ফংখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা ৯০ দা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোই মিকুনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখ্রবসু ফাইনেল মেটচ অদু চেন্নাইন এফসিনা বেঙ্গালুরু এফসিবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ সিজন অসিগী টাইটল ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম অসিগী অনীরকশুবা টাইটল অদু ওইবা ঙমখি।

## চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোই মায়থিহৌরে



*বিরমিংঘাম, মার্চ ১৭ঃ*

নুপীগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোই ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

টাই ঝু য়িংনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন য়ুফেগা অকনবা লম্বা থেংনরগা গেম ২–১ দা থোইখি।

অহানবা গেম টাই ঝু য়িংনা ২১–১৫ দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদু চেন য়ুফৈনা ২২–২০ দা থোইরগা গেম অমমম মান্নখ্রবসু অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা টাই ঝু য়িংনা য়াম্না হেন্দুনা ২১–১৩ দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী পি ভি সিন্ধু অমসুং অনীশুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচি অনীগী অথোইবগা হয়েং টাই ঝুগা ফাইনেল শান্নরগনি।

নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোই চাইনাগী হুৱাং য়ুজিয়াংগা লম্বা তৌনবদা ২২–২০, ১৬–২১, ২১–২৩ দা মায়থিহৌখি। পনবা য়াই হুৱাং য়ুজিয়াংনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই কিদম্বি শ্রিকান্থপু গেম ২–১ দা থোইরম্বনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপাগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোবু চাইনাগী সি য়ুকিনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–১৪ দা থোইরমখি।

সি য়ুকিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা চেন লোংবু মায়থিবা পীরম্বনি। ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা নুপাগী অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোই অনী থেংনরগনি।

## ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে, প্রজনেসনা আইটিএফ ফ্যুচরগী টাইটল ফংবা ঙমখ্রে

*গ্বালিয়র। চান্দিগর, মার্চ ১৭ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবী টেন্নিস শান্নরোই অনকিতা রাইনানা আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী টেন্নিস শান্নরোই প্রজনেস গুনেস্বারননা আইটিএফ ফ্যুচর টাইটল ফংবা ঙমখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী সিটি গ্বালিয়রদা লৈবা সিটি সেন্টর টেন্নিস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা ২শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী অমান্দিনি হেসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা শান্নরকখিবদগী মহাক্কী লম্বা ওইখিবী ফ্রান্সকী অমান্দিনি হেসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোথরবা ফ্রান্সকী অমান্দিনি হেসনা অনীশুবা সেট অদুদা কন্না হোৎনরক্তুনা শান্নরকপদগী শান্নরোই অনীমক গেম ৫–৫ মান্নদুনা লৈখি। অদুবু থংনবা পোইন্ট অনী ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা লৌবা ঙমখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা সেট অদুদা ফ্রান্স অমান্দিনি হেসপু ৭–৫ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।



*আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী অনকিতা*


আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফংখিবী ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা শেলগী মনা ওইনা য়ুএস দোলর ৩৯১৯ গা লোয়নন্না দব্লিয়ুটিএ পোইন্ট ৫০ ফংবা ঙমখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাখিবী ফ্রান্সকী অমান্দিনিনা শেলগী মনা ওইনা য়ুএস দোলর ২০৯১ গা লোয়নন্না দব্লিয়ুটিএ পোইন্ট ৩০ ফংখি।

নাকল অমরোমদা পঞ্জাবকী সিটি চান্দিগরদা পাঙথোকপা য়ুএস দোলর ১৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ মেন্স ফ্যুচর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুনেস্বারাননা ভিয়েটনামগী মমাঙগী চেম্পিয়ন নাম হোংলিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুনেস্বরাননা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ভিয়েটনামগী নাম হোং লিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রজনেস্বরাননা ভিয়েটনামগী শান্নরোই নাম হোং লিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা আইটিএফ মেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবগা লোয়নন্না প্রজনেসকী কেরিয়রগী ওইনা ৮লকশুবা সিঙ্গলস টাইটল ওইবা ঙমখি।

## বিএনপি পরিবাস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী নাওমী ওসাকা অমসুং রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনা লম্বা তৌনরগনি



*বিএনপি পরিবাস ওপনগী নুপীগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী জপানগী নাওমী ওসাকা (ওই) অমদি রুশিয়াগী কসাটকিনা*

*ইন্দিয়ান ৱেল্স, মার্চ ১৭ঃ*

য়ুএসএগী সিটি ইন্দিয়ান ৱেল্সতা চথরিবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান ৱেল্স (বিএনপি পরিবাস ওপন) টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী নাওমী ওসাকা অমসুং রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা সিদেদ ফংদনা শরুক য়ারকখিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইবনা নত্তনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানসু ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা জপানগী নাওমী ওসাকানা সাইমোনা হালেপকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা জপানগী নাওমী ওসাকানা অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা হালেপকী সার্ভিস গেম অহুমক ব্রেকতৌবা ঙমখিবদা নত্তনা মহাক্কী সার্ভিস গেমশিং অদু হোল্ট তৌবা ঙমখিবদগী ৬–০ দা থোইদুনা জপানগী ওসাকা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

জপানগী নাওমী ওসাকাগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনানা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেট ভেনসনা কসাটকিনাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা রুশিয়াগী কসাটকিনানা ভেনসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনানা ৭–৫ দা থোইদুনা বিএনপি পরিবাস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বিএনপি পরিবাস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা আর্জেন্টিনাগী মার্টিন দেল পোট্রো অমসুং কানাদাগী মিলোস রাউনিক লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী মার্টিন দেল পোট্রোনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩১শুবাসিদেদ জর্মনিগী ফিলিপ কোহ্লস্ক্রেবরবু ৩–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরমখি।

অমরোমদা ৩২শুবা সিদেদ ওইরিবা কানাদাগী মিলোস রাউনিক্লা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৮শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী সাম ক্বেরিবু ৭–৫, ২–৬, ৬–৩ দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভা অমসুং এলিনা ভেসনিনানা চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগা থেংনরগনি।

রুশিয়াগী পেয়র অদুনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসপু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরমখি। অমরোমদা চাইনিজ তাইপৈ অমসুং জেক রিপব্লিক্কী পেয়র অদুনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কি অমসুং চাইনাগী ঝু য়িফানবু ৭–৬(৭–২), ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

বিএনপি পরিবাস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা য়ুএসএগী পেয়র জোন ইসনর অমসুং জেক সোকনা অতোপ্পা য়ুএসকী পেয়র বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইনগা লম্বা তৌনরগনি। জেন ইসনর অমসুং জেক সোকনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসপু ৬–৩, ৬–২ দা থোইরমখি।

অদুগা অতোপ্পা য়ুএসকী পেয়র বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইননা উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাস অমসুং আর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৭–৬(৭–৫), ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

## টোটেনহাম হোটস্পরগী খৃষ্টিয়ান ইরিকসেনগী পাঞ্জল অনীনা স্বান্সে সিটিবু ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা এফএ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌহনখ্রে

*লন্দন, মার্চ ১৭ঃ*

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এফএ কপ ফুটবোলগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ান ইরিকসেনগী পাঞ্জল অনীনা স্বান্সে সিটিবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা হোটস্পর সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

স্বান্সে সিটিনা য়ুম্বু ওইদুনা মফম অদুগী ষ্টেদিয়ম লিভরটিদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ান ইরিকসেননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা স্বান্সে সিটিবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মতম কুইনা টিম অনীমক অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোই ইরিক লামেলানা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা স্বান্সে সিটিবু ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।



*টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা স্বান্সে সিটিগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু পাঞ্জল অনী মাঙজিল থারিবা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্ননবা হোৎনদুনা লাকখি।

শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা খৃষ্টিয়ান ইরিকসেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা স্বান্সে সিটিবু ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৮ লোমগী মতম অদুদা টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবা অমদি মায়োক্লবা টিম স্বান্সে সিটিগী মায়কৈদগীসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু টোটেনহাম হোটস্পরনা স্বান্সে সিটিবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা এফএ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং ব্রাইটোন এন্দ হোভ অলবিওন লম্বা তৌনগনি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱিগান এঠলেটিক অমসুং সাউথমতন লম্বা তৌনরবা মতুং মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা লৈকেষ্টর সিটি অমসুং চেলসি থেংনগনি।